# অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদসু কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা হেনবা মওংদা ৱাংখৎলক্লে



গুৱাহাতি, জুন ১০ (এজেন্সি):
নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা কেস মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা অৱাং-নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং কা হেন্না য়ামখৎলক্লে। মপান্দা পন্দুনা লৈরুবা মীওইশিং হল্লকপদগী খঙহৌদনা কেস মশিং হেনগৎলকখিবনি।

খ্বাইদগী চাং ৱাংনা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলকখিবা ষ্টেটতি অসামনি। ঙসি অয়ুক ফাওবদা অসামগী অপুনবা কেস ৩০৯২, ত্রিপুরাগী ৮৬৬, মণিপুরগী ৩০৯, নাগালেন্দগী ১২৮, মিজোরামগী ৭১, অরুনাচল প্রদেশকী ৫৭, মেঘালয়াগী ৪৩ অমসুং সিকিমগী অপুনবা কেস ১৩ শুরে। নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মনুংদা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না অসাম্না ওইরি। কেস মশিং খ্বাইদগী য়ামদবা ষ্টেটনা সিকিম্নি।

অসামগী অপুনবা কেস ৩০৯২ লৈবগী মনুংদা এক্তিভ কেস ১৯৮৭নি। ফগৎলকপনা ১০৯৭নি অমসুং শিখিবা মীশিংনা ৫ নি। মেঘালয়াগী অপুনবা কেস ৪৩গী মনুংদা এক্তিভ কেস ২৯ অমসুং শিখিবা মীওই ১ য়াওরি। নাগালেন্দগী অপুনবা কেস ১২৮কী মনুংদা এক্তিভ কেস ১১৮ নি। মণিপুরগী অপুনবা কেস ৩০৯ লৈবদা ফগৎলকপা ৫৮ অমসুং এক্তিভ কেস ২৫১ নি। সিকিমগী অপুনবা কেস ১৩গী মনুংদা এক্তিভ কেস ১০ অমসুং ফগৎলকপা ৩নি। অরুনাচল প্রদেশকী অপুনবা কেস ৫৭ লৈবদা এক্তিভ কেস ৫৫ অমসুং ফগৎলকপা ২ নি। ত্রিপুরাগী কেস ৮৬৬ লৈবদা এক্তিভ কেস ৬৭০, ফগৎলকপা ১৯২ অমসুং শিখিবা ১নি। মিজোরামগী কেস ৭১ গী মনুংদা এক্তিভ কেস ৭০ অমসুং ফগৎলকপা ১নি।

অসামদা ঙসি মীওই ৪২ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৩০৯২ শুরে। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্বা সরমনা হায়খি মদুদি, অনৌবা কেস ৪২ ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা থেংনরে। নাউনদা ১৯, কোক্রাঝারদা ১৬, লক্ষিম্পুরদা ৪, জোর্হাটতা ২ অমসুং ধেমাজি দিষ্ট্রিক্টতা কেস ১ থেংনখি। মতৌ অসুম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা অসামগী কেস অপুনবা কেস মশিং হেনগৎলক্লে।

## সিকিমগী অহানবা নুপী জর্নেলিষ্ট লৈখিদ্রে

গেংটোক, জুন ১০ (এজেন্সি):
সিকিমগী অহানবা নুপী জর্নেলিষ্ট সতোস নিরাস লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৯১ শুখ্রবী নিরাসনা হিন্দি লোনদা চয়োল খুদিংগী ফোংবা পাউচে জমানা সদাবহারগী এদিটর ওইরম্মী।

নুপী পাউমী অমা লৈখিদবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর পি এস গোলেনা অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল পীখ্রে। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, জমানা সদাবহারগী এদিটর ওইরম্বী সতোস নিরাস লৈখিদবা হায়বসি লৈবাক্কী অচৌবা মাঙজবা অমনি। এস দি এফকী মরু ওইবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর পৱন চামলিংনসু সতোন নিরাস লৈখিদবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

## মেঘালয়াদা মীরোনবী ১ পোজিটিভ ওইরে

শিল্লোং, জুন ১০ (এজেন্সি):
মেঘালয়াদা মীরোনবী অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। নুপী অদুগী মপুরোইবসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিল্লোং সিভিল হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরকখিবনি।

মমাং চয়োলদা মতৈ-মনাও দিল্লিদগী হল্লক্লবা মতুংদা মপুরোইবা অদু হান্না পোজিটিভ ওইরকপা থেংনখি হায়না ষ্টেটকী হেল্থ মিনিষ্টর এ এল হেকনা ফোঙদোকখি।

নৈগ্রিমসতা অঙাং উননবা পুখৎলকপী নুপী অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা খঙলকপদগী ওথোরিটিশিংনা হোস্পিটাল লেবর ৱার্দ সীল তৌশিন্দুনা অকনবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

## ওজা খনবগী থৌওং কম্মিসন্না য়েংশিনগদৌরি

অগরতালা, জুন ১০ (এজেন্সি): ত্রিপুরাদা হন্দক্তা ওজা ১০,৩২৩ মফম লৌথোকখিবগী মতাংদা থিগৎহন্নবা কম্মিসন অমা শেমখ্রে। জষ্টিস (রিটায়র্দ) গৌতম দেবনাথনা লুচিংবা কম্মিসন্না ওজা খনবগী থৌওং কুপ্না থিগৎলগা চয়োল ৬ কী মনুংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্কগনি।

ষ্টেট অসিদা সী পি আই-এমনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা কুমজা ২০১০ দগী কুমজা ২০১৪ ফাওবা সী পি আই-এমনা ওজা ১০,৩২৩ খনখি। অদুবু মীওই খরনা ওজা খনবগী থৌওং অদু সুপ্রিম কোর্টতা শীংনরকখি। কুমজা ২০১৬ তা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা ৱায়েল মতুং ইন্না মার্চ ৩১ দা ওজা পুন্নমক থবক্তগী লৌথোকখি।

# মৈ চাকখৎলকখিবা গ্যাস ৱেল মনাক্তা ফায়র ফাইটর ২গী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে



দিব্রুগর, জুন ১০, (এজেন্সি):
নোংপোক থংবা অসামগী তিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদ (ও আই এল)গী গ্যাস ৱেল মৈ চাকখৎলকখ্রবা মতুংদা ফায়র ফাইটর অনীগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং ফংবা ঙমখ্রে।

বাঘজান প্রদক্সন ৱেলদা এস দি আর এফ অমসুং এন দি আর এফকী টিমশিং চঙশিনখ্রবা মতুংদা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অনী ফংবা ঙমখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অনীমক ঙরাংদগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবনি।

বঘাজান প্রদক্সন ৱেলদা মৈ চাকলকখ্রবা মতুংদা ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী ফায়র টেন্দর ৫ শীজিন্নদুনা মৈ মুথনবা হোৎনখি।

চৈরকসিদা, ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদকী প্রদক্সন ৱেল মৈ চাকপগী থৌদোক অদুনা দিব্রু-সাইখোৱা নেসনল পার্ককী বাইওদাইভর্সিটিদা অকায়বা থোকহনখ্রে। নেসনল পার্ক অসি মৈ চাক্লিবা মফম অদুদগী কিলোমিটর ২ রোম লাপ্না লৈ। মে ২৭ তা গ্যাস ৱেলদগী থাউ য়ুরকখ্রবা মতুংদা খঙহৌদনা মৈ চাকখৎলকপদা বাঘজান এরিয়াগী য়ুম ৫০ হেন্না অমাঙ-অতা থোকখি। মীপাইরবা খুঞ্জাংশিং ময়ুম মকৈ থাদোক্লগা খুদোংথিবা থোক্লোইদবা মফমদা চেন্নখি।

গ্যাস ৱেলদা চাকখৎলক্লিবা মৈ মুথৎনবা হোৎনখিবা ফায়র টেন্দর ৯ মৈ চাকল্লকখি। অকোয়বদা লৈরিবা উমংগী শরুক খরসু মৈ চাকপা হৌরে। ওইল ইন্দিয়া লিমিটেদনা চেকশিলহৌদবা মরম্না খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা পাক শন্না অমা-অতা থোকহল্লকখিবনি হায়না ইনভাইরনমেন্টেলিষ্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা ষ্টেটকী ইন্দষ্ট্রিজ এন্দ কর্ম্মস মিনিষ্টর চন্দ্র মোহন পাতোৱারিবু থৌদোক থোকফমদা চত্তুনা ফিভম য়েংশিন্নবা খঙহনখি। চীফ মিনিষ্টরনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন পেট্রোলিয়ম মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধান, পেট্রোলিয়ম মিনিষ্ট্রিগী ওফিসলশিং অমদি অতৈ ফোরেন এক্সপার্টশিংগা টেলিফোনদা ৱারী শানদুনা ফিভম লাকশিন্নবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। ইনভাইরনমেন্টতা চাওনা অকায়বা থোকহল্লক্কদবা মরম্না অথুবা মতমদা মৈ মুথৎনবা থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরি।

## ষ্টেটকী পাউ

# ফ্লাইট ৪দা পেসেঞ্জর ৬১৭ রোম পুশিল্লকখি



ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
মপান লমদা পন্দুনা লৈরম্বা পেসেঞ্জর ৬১৭ রোম ঙসি দিল্লি অমদি কোলকাটাদগী তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৪দা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। কোলকাটাদগী পাইরকখিবা ৫শুবা ফ্লাইট স্পাইস জেট (কার্গো) দি পেসেঞ্জর য়াওদনা মেদিসিনগী পোৎলম য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং পুরগা লাকখি।

ঙসি অয়ুক পুং ৯.১০ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাতি ফাওরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা (ইন্দিগো ৬ ঈ-২৫১) ফ্লাইট অসিদা নুপা ১২৮, নুপী ৩১, অঙাং ৭ য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ১৬৬ রোম পুরকখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ুক পুং ১০ তাবদা নুপা ৯১, নুপী ১৬, অঙাং ৭ য়াওনা পেসেঞ্জর ১১৪ রোম পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

অয়ুক পুং ১০.৫০ রোম তবদা (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইট অসিনা দিল্লিদগী গুৱাহাতি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পেসেঞ্জর নুপা ৯৪, নুপী ৬৪, অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না মীওই ১৬৩ রোম পুশিল্লকখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ুক পুং ১১.৪০ রোম তাবদা ইম্ফালদগী গুৱাহাতি ফাওরগা দিল্লিদা অমুক হনখিবদা নুপা ৪৯, নুপী ১৩, অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ৬৭ রোম পুখি।

ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.৩০ রোম তাবদা কোলকাটাদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা (ইন্দিগো ৬ ঈ-৭০৭) ফ্লাইট অসিনা নুপা ১৩৫, নুপী ৪১ অমদি অঙাং ৮ য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ১৮৫ রোম পুরগা লাকখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিল পুং ১.৩৫ রোম তাবদা পেসেঞ্জর নুপা ১২৪, নুপী ২৮ অমদি অঙাং ৯ য়াওনা মীওই ১৬৫ পুরগা কোলকাটাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

নুংথিল পুং ২.২১ রোম তাবদা মরিশুবা (এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯) ফ্লাইট অসি দিল্লিদগী পেসেঞ্জর নুপা ৯১, নুপী ৫৩, অঙাং ৯ য়াওনা পুন্না মীওই ১৫৩ রোম পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিল পুং ৩.২৫ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর নুপা ৯২, নুপী ১৭, অঙাং ৫ য়াওনা পুন্না ১১২ পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি দিল্লি অমদি কোলকাটাদগী পুন্না পেসেঞ্জর ৬১৭ রোম ইম্ফালদা চঙলকখিবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা অসাম রাইফলস অমদি আর্মি পর্সনেলশিংদি আর্মিগী ক্বারন্টিন ৱিংদা তোঙান্না থম্নবা পুখি। অতৈ লৈহৌরিবশিংনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টনা ঘড়ীগী ঐচ আর দি স্কুলদা পুরগা থমকি। মফম অদুদগী অমুক তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অমুক মখোয়গী ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা থম্নবা পুখি।

অমরোমদা, হৌখিবা মে ২৫ দগীনা ঙসি ফাওবা পুন্না এরোপ্লেনদা মীওই ৬৮৩৮ রোম পুশিল্লকখ্রে। ইম্ফালদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২ দা চঙলক্তুনা লৈরকখিবা ফোরেন্নর ইজ রেলি মচা অনীদি ফ্লাইটতা তোংদুনা ঙসি দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। চৈরকসিদা, ঙরাং নুমীৎয়ুংবা মতুংদা কোলকাটাদগী ইম্ফাল তম্না পাইরকপা এয়র ইন্দিয়া ফ্লাইট য়াদদুনা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা লৈরকখিবদু অথেংবদা ইম্ফালদগী কোলকাটাদা অমুক হনখ্রে হায়রি।

মরকসিদা ঙসি নুংথিল পুং ২.১০ রোম তাবদা কোলকাটাদগী গুৱাহাতি ফাওবা ইম্ফালদা তারকখিবা স্পাইস জেট (কার্গো)দা পেসেঞ্জর য়াওদনা মেদিসিনগী পোৎলমশিং অমদি অতৈ পোৎচৈ খরসু পুরকখি। নুমীদাংৱাইরম পুং ৫.২৫ রোম তাবদা ফ্লাইট অদু ইম্ফালদগী কোলকাটাদা অমুক হনখি।

অমরোমদা, ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা গুৱাহাতিদগী পেসেঞ্জর ৪৬ রোম পুরগা চঙলকপা বস (এ এস ০১ সী-৩২৩৭) অসি হায়ৱে নম্বর টুদা মাও গেট ফাওরগা ইম্ফালদা চঙলকখি হায়রি।

## খুদেংথাবীগী মফম অনীদা ব্রাউন সুগর কেজি ৩.৭৮৩ গা কোন্ননা মীওই ৫ ফারে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ঙসি ইম্ফাল-মোরে লম্বীগী খুদেংথাবীদা লৈবা ২০শুবা অসাম রাইফলসনা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা চেক তৌবদা মীওই মঙা ব্রাউন সুগর কেজি ৩.৭৮৩ গা কোন্ননা ফারে।

প্রেসনা ফংবা পাউ মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তাবদা মোরেদগী চুড়াচান্দপুর তম্না লাকপা হ্যুন্দাইগী ক্রেটা কার অঙৌবা অমা খুদেংথাবী পোষ্টতা ২০শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা খাল্লগা চেক তৌবদা মীওই মরি ব্রাউন সুগরনি চিংনবা পোৎশক তোঙান তোঙানবা পেকেট ২৬৭ তা হাপ্লগা পুরম্বদগী ফারে। পুন্না ব্রাউন সুগর অদু কেজি ৩গা গ্রাম ৩৬৮ নি। গাড়ী অদু থৌরকপনা তেংনৌপল সব-দিভিজনগী খোনেম্ফাই খুনদগী জেমস বাইফৈ, অপোকপা লেনমাং বাইফৈ, মহাক্না লাকমিন্নবা মীওই অহুম অদুনা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ঙামুননোন খুনদগী পাওমিনলম হাওকিপ, অপোকপা থাংমাং হাওকিপ, তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাওজাং খুনদগী এস সৈমিনলুন বাইতে, অপোকপা হলপাও বাইতে অমদি চুড়াচান্দপুরগী সঙাইকোৎ ব্লোক, সোংপেহদগী নেংখোতিন হাওকিপ, মপুরোইবা মাংমিন হাওকিপনি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই মরি অদু এ আরনা মোরে পুলিসতা লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা খুদেংথাবীগী ২০শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা খুদেংথাবীগী পাইন এপল গার্দেন মনাক্তগী নুপা অমা অচৌবা বেগ অমগী মনুংদা হাপ্লগা পুরম্বা ব্রাউন সুগর গ্রাম ৪১৫ গা কোন্ননা ফারে। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমিং মানকাহি হাওকিপ (৪৩), অপোকপা লৈখিদ্রবা জিখাম হাওকিপ কৌই। মহাক মোরে ৱার্দ নম্বর ৭কী জিওন খুনদা লৈবনি। মঙোন্দগী ফারবা ব্রাউন সুগর গ্রাম ৪১৫ অদু তোঙান তোঙানবা সাপোন কেপ ৩৩ দা হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। দ্রগকা কোন্ননা ফারবা মীওই অদু লোগী ওইবা থবক লৌখৎনবা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

## মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
হৈরোক এ সীগী মনুং চন্না উখোংশাংগী কষ্টুর্বা গান্দী বালিকা বিদ্যালয়াদা হাংলিবা এ সী অসিগী কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টরদা ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈবা নুমীৎ ১৪ রোম মপুং ফারবা ইনমেটশিংগী ফিভম মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি মফম অদুদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।


মফম অদুদা লৈরিবা ইনমেটশিং অদুবু পূক্লিং থৌগৎপা ৱাফম কয়া থমখিবগা লোয়েননা ইনমেটশিং অদুগী অৱা-নুংঙাই ৱারী কয়াসু শানখি। এস ও পিগী কাঙলোনশিং ঙাক্ল া পাঙথোকখিবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অদুদা মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবগী পুন্সিদগী হেনবা মমল য়াম্বা অতৈ অমা লৈতে। মপান লমদা মহৈ তম্লুবা, থবক-ইনখাং তৌরুবা পুম্নমক লমদম অসিগী তুংগী মায় পুরক্কদৌরিবা ঙাক্তনি। নখোয়গীদমক ঐখোয় ময়াম লৈরি। তুংদা লাক্কদবা অৱাবা কয়াদা ঐখোয়না মাং থাদুনা লমজিং লমতাক্কনি। থবক তৌনিংঙাই লৈতে হায়বগী পূক্লিং হন্থবা ৱাখল খল্লোইদবনি। মদুগী মহুৎতা মাঙদা তারিবা লাইচৎ অসি ঐখোয় পুন্না থৌদাং লৌসি। মতুং তারকপদা মহৈ নীংথিনা তম্লগা মীওইবা খুন্নাইগী কান্নবা অফবা থবক তৌগে হায়না খনগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## লোকদাউনদা মীওই ৪৭২ ফাইন থিহনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংননবা পুলিস দিপার্টমেন্টনা লেপ্তুনা চথরিবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থল্লিঙৈ মনুংদা মীয়াম্না য়ুমদগী মপান থোরকপদা মাস্ক উপ্তুবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎতবগীদমক্তা মীওই পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী ঙসি মীওই ৪৭২ অমদি গাড়ী ৬৭৬ ফাগৎতুনা দিটেন তৌখ্রে।

লম্বী-লমজাওদা থোরকপদা মাস্ক উপ্তুবা অমদি মীয়াম মরক্তা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং অমদি গাড়ীগী চে-চাং শুনা য়াওদবশিংবু পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী পুন্না মীওই ৪৭২ অমদি গাড়ী ৫৭৬ য়াওনা ফাগৎখি। পুলিসনা ফারবা মীওইশিং মরী লৈনবা দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্লগা লুপা ৮০,৭০০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে। পুলিস দিপার্টমেন্টনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ুগী কাঙলোন ঙাক্তবা মীওইশিং নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট ২০০৫ গী মখাদা লোগী মতুংইন্না অকনবা থবক লৌখৎকনি হায়রি।

## CROSSWORD-3470



**ACROSS**

1 Depose (4)
3 Marvellous (8)
9 Non-professional (7)
10 Trite (5)
11 Put off till later (5)
12 London rail terminus (6)
14 Violin (6)
16 Perplex (6)
19 Robbery at sea (6)
21 Scallywag (5)
24 Strangely (5)
25 Despotism (7)
26 Enjoyment (8)
27 Sort, category (4)

**DOWN**

1 Intermittently (2,3,3)
2 Personnel (5)
4 Merited (6)
5 Loose flowing garments (5)
6 Keep at bay (4,3)
7 Part of the leg (4)
8 Engine fuel (6)
13 Novice (8)
15 Diminish, shrink slowly (7)
17 Preposterous (6)
18 Marine mollusc (6)
20 Bottomless gulf (5)
22 Vex (5)
23 -- and circumstance (4)

**Solution 3469**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | R | O | S | P | E | R | | S | C | R | U | B |
| A | | M | | E | | I | | A | | A | | A |
| C | L | E | A | R | | C | L | I | P | P | E | R |
| I | | N | | F | | H | | N | | T | | G |
| F | I | S | S | U | R | E | | T | R | U | C | E |
| I | | | | M | | R | | | | R | | |
| C | O | P | P | E | R | | S | P | R | E | A | D |
| | | A | | | | M | | O | | | | I |
| T | O | P | I | C | | I | N | S | P | E | C | T |
| A | | O | | H | | N | | T | | X | | C |
| P | R | O | T | E | I | N | | W | R | A | T | H |
| E | | S | | E | | O | | A | | C | | E |
| S | N | E | A | K | | W | O | R | S | T | E | D |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3269**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | 6 | | 3 | | | |
| | 8 | | | 7 | | | 4 | |
| 2 | | | | | | | 3 | 7 |
| | | | | | 6 | | 5 | 3 |
| | | | 8 | | 7 | | | |
| 8 | 5 | | 3 | | | | | |
| 3 | 4 | | | | | | | 5 |
| | 1 | | | 4 | | | 9 | |
| | | | 5 | | 8 | 2 | | |

**Solution-3268**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 2 | 8 | 9 | 6 | 3 | 5 | 7 | 1 |
| 5 | 3 | 1 | 2 | 4 | 7 | 6 | 8 | 9 |
| 7 | 9 | 6 | 1 | 8 | 5 | 4 | 3 | 2 |
| 9 | 4 | 3 | 6 | 2 | 1 | 8 | 5 | 7 |
| 2 | 8 | 7 | 4 | 5 | 9 | 3 | 1 | 6 |
| 1 | 6 | 5 | 7 | 3 | 8 | 9 | 2 | 4 |
| 3 | 7 | 2 | 5 | 9 | 6 | 1 | 4 | 8 |
| 6 | 5 | 4 | 8 | 1 | 2 | 7 | 9 | 3 |
| 8 | 1 | 9 | 3 | 7 | 4 | 2 | 6 | 5 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
ভারতিয়া জনতা পার্টি মণিপুর, য়াইস্কুল মন্দলগী ও বি সী মোর্চাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এল সুর্জিৎনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা বি জে পি য়াইস্কুল মন্দলনা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মন্দল অসিগী প্রসিদেন্ট বিশ্বামিত্রনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ঙরাং নুংথিল বি জে পি য়াইস্কুল মন্দলগী প্রসিদেন্টকী য়ুমদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখি। তীনখিবশিংনা মিনট ২ তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। য়াইস্কুল মন্দলগী ও বি সী মোর্চাগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা লাইশ্রম সুর্জিৎ (মোমো)না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসি অৱাবনি হায়রি।

## পি দি এসকী পোৎলমশিং চিংথোক্লরি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
জুন থাগী ওইনা তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা ফংহনগদবা পি দি এসকী পোৎলমশিং লেপ্তুনা চিংথোক্লরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা ঙসি উরিপোক এ সীগী চেঙ ক্যুইন্টল ১,৬৬৮.১৫ অমসুং কৈশামথোং এ সীগী চেঙ ক্যুইন্টল ১,৬৭৪.৮৫ চিংথোকখি। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা চেঙ ক্যুইন্টল ২,২২২.৩৬ চিংথোকখি। হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা থাংমৈবন্দ, উরিপোক, কৈশামথোং, শিংজমৈ, লমশাং, নাওরিয়া পাখংলাকপা অমদি লংথবালগী ওইনা জুন থাগী এন এফ এস এগী চেঙ চিংথোকপা লোইখ্রে। টামেংলোং এ সীগী ওইনসু হাওচোং সব-দিভিজনগী মীয়ামদা য়েন্থোক্কদবা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙ ক্যুইন্টল ৫০০ চিংথোকখি হায়রি।

## তুংলমচৎকীদমক লোক্তাক' 'কনবা তঙাইফদে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) :
তুংলমচৎকীদমক লোক্তাক কনবা তঙাইফদে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

এল দি এনা শীন্দুনা ঙসি সেক্র্যর বিল্ডিং কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা ন্যুমাইনা হায়খি, লোক্তাক হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। মসি য়োকখৎপা তাই। তুরেল অমদি ৱাটর বোদি কয়া কংশিল্লকপগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ঈশিং য়োকখৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মণিপুরগী তুংলমচৎকী সর্ভাইভেলগা লোক্তাক কনবগা য়াম্না মরী লৈনৈ। লোক্তাক্কী ফীভম শোকচিল্লকপা অমদি ঈশিংগী লেভেল হন্থরকপা কয়াসি য়েংশিনবা চঙই। লোক্তাক কন্নবা হোৎনবা য়াম্না মরুওই। হীরম অসিগী মতাংদা ৱাখল্লোন ফজবা কয়া পুথোকপদা তরাম্না ওক্কনি। এল দি এগী ওফিসলশিং অমদি মীয়াম পুন্না শরুক য়াদুনা লোক্তাকসি কন্নবা হোৎনমিন্নসি। ৱাটর বোদি শেমগৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ষ্টেট অসিগী ৱাটর বোদিশিং অমসুং তুরেল কয়া কংশিল্লকপগী ফীভম লাক্লিবসি নীংথিনা য়েংশিনমিন্নবা তঙাইফদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এল দি এগী চেয়রমেন এল সুসিলদ্রো, এদিসনল চীফ সেক্রেটেরি এম ঐচ খান, এল দি এগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এল ভগৎতোন অমদি এল দি এগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। এল দি এগী এস ঈ সনাজাওবনা লোক্তাক্কী মরী লৈনবা পাৱর পোইন্ট প্রজেন্টেসন তৌখি।

